
মন্ত্রী-মহোৎ

শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথ

[illegible]



শ্রী[illegible] চৌধুরী

মরী-মখোং

শ্রী শ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথগী
অশঙ্বা পুন্সি



শ্রীনীরজাকান্ত চৌধুরী
এম, এ ; এল্, এল্-বি ; আই-পি (রিটায়ার্ড
না লেংবা ।

রাজকুমার শ্রীস্নাহলসিংহ বি-কম্না
মৈতৈরোন্দা হন্দোকচবা ।

ফোংদোকপা -


শ্রীবিমল কৃষ্ণ বিদ্যারত্ন

শ্রীরামাশ্রম,

পোঃ ডুমুরদহ, জেলা—হুগলী।

[illegible] ৯৫৮ ইং

(স[illegible] শ্রীজয়[illegible]নারায়ন। ডাক্তর।)



ফংফম—

১। বুক [illegible], নিউ [illegible]কেট, ইম্ফাল, মণিপুর।

২। ষ্টুডেণ্টস্ ষ্টোর, পাওনা বাজার, ইম্ফাল, মণিপুর।

৩। দেবযান কার্য্যালয়, মগরা, হুগলী।

৪। শ্রীরামাশ্রম, ডুমুরদহ, হুগলী।

নম্বা—

শ্রীরাসবিহারী সিংহ

ফ্রেণ্ডস্ ইউনিয়ন প্রেস,

ইম্ফাল, মণিপুর।

মমল রুপা—২.০০

নিংশিংজবা

ঐগুম্বা তোল্লবা অমনা শ্রীমৎ ১০০০০৮ শ্রীসীতারাম বাবাগী মরমদা প্রমাণ তৌবদি অমসুং মহাক্কী তশেংবা অমসুং অতে অতে মগুণগী শক্তিনু শীংথাবদি ঈশিং মরিক মচা অমবু পাক-চাওরবা ঈপাক অমগুম্না শাংথাহনা অমসুং মহুগী মপুম ওইবা মওং নত্রগা বৈভবকা মান্নহনগদবগী কন্না হোংনব-গুম্বন। অদুগা পিক্রবা থাওমৈ মচা অমগা হুমিংকী কল্লবা মৈশাগা ওইথোক্কবা প্রমাণ পিবগুম্বনি অমসুং অসুম্না চাংদম্নহনা লৈবনি অওইবা মশক অদুম্ব অমুক লৈররোইদবনি। বাবাগী ভক্ত অমসুং মনাই কয়া কয়া লৈ, মথোয় অদুসু হায়ারবসিগুম্বান। শ্রীঠাকুরগী পৌজাননদি দক্ষা অমসুং প্রেমগী ঈপক হোৌরবা ঈপাক্কুম্বনি। মনিদা কনাগুম্বনা লুপ্না য়েংশিনবিয়ু। ঈশিংদা লুপগা মাগী মশা ইচোৎ চোংলি। অদুগুম্না ভগবানগী প্রেমগী ঈরিক্কা চোংল্লিব কনাগুম্বনদি যাবিবোই। ঐদি মহাক্কী ভক্তশিংগী খুযাগী ফুদুল মরিক অমা ফাওবদগী হন্দ্রবান। ঐগুম্বা অমনা ঠাকুরগী মগুণ শকল্লা অমদি অশেংবা পমাণ পিবা অসিদি য়াম্না লুনা থোকই। তৌইগুম্বসুং পুংজাও থিন্দনা অসিমদি শেংনা হায়জবা ফেমই মতমদি মহাক্কী ভগবানগী প্রেমগী ঈরিক্কা ইশাদা শোইদনা চোংথরে অমসুং অচৌবা প্রেমগী ঈপাক্কা মতম থরদং চংলগা ঐসু শোইদনা লুপচগনি। ভগবান ফংহবগী অদুগা ভগবান ফংনবগী লম্বীদা হেন্না চংশিনবা মীওোন্দদি অসিগুম্না পারবা প্রেম নত্রগা লান্নবগী ঈপাক হৌজিকমক মাংদা লৈরে। হুমিং লৈরিবদা কনানসু অমম্বনি হায়না লৌবা ঙমদে। বাবা ভগবানগী মশক ওইনা লৈরগুম নত্রগা মহাক্কুম্বা অমগা উনজবা হায়বসি কলিগী মতম অসিদদি ওইথোক্কবা ওইনা থোকই। তৌইগুম্বসুং মপাল নাইদ্রবা লাইবক ফবদগী ফংজম্নিবনি।

লাবাগী থৌজাল, চানবিবা অমসুং প্রেম
নিজরিবা—
দেবা সিংহ
হিজ হাইনেস মহারানা বাহাদুর,
বরবানী, মধ্য ভারত।

১-১-৫৫ ইং

পরমারাধ্যা

শ্রীশ্রীযুক্তেশ্বরী উমা দেবী চৌধুরাণী

(দুর্গ, মধ্য প্রদেশ)

ইহা ইবেম্মদা কচ্চদি



) সমাধিস্থ শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথ মহারাজ

২। ঠাকুর শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথ সমীপে নবগুরানি

মধ্যপ্রদেশের মহারাণা শদেব সিংজিরাজ জুব

শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথগী

অশঙ্বা পুন্সি

'সম্ভবামি যুগে যুগে'

ভারত বৈকুণ্ঠগী মাঙ্গোলনি। অধ্যাত্মরাজ্যগী লুহুপকী মণিনি। যুগ যুগ খুদিংদা সিদ্ধ ফংলবা মীওই কয়া, মহাত্মা অমসুং ভক্তরাজ কয়া মফম অসিদা পোকই। শ্রীভগবানমকস্থ ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবা অমসুং অধর্ম্মনা মরায় হায়গৎলক্লবা মতমদা সাধুশিংবু কনবিগে অমসুং ফত্তবশিংবু লানবিগে হায়বগী দমক্তা মায়ানা কুপ্লবা হকচাং অসি লৌত্নুনা লাইনা শেম্লবা লৈবাক অসিদা অবতার তৌবিখি। পূণ্য চেল্লবা লৈবাক অসে মহাক্কী চরণ চিহ্ননা লৈতেংলে, লৈতেংলি অমসুং লৈতেংলখিগনি।

শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথ মহারাজ তাইবংপানবগী অমসুং মীওইবগী মঙ্গলগী দমক্তা বঙ্গদেশদা গঙ্গা মপান্দা ফাওবিরক্লে।

১২৯৮ গী ফৈরেন থাগী তারিখ ৬ (১৮৯২ ইং) য়ুমশকৈশা নিন্দুং মঙানি পানবদা অশেংবা কাশ্যপগোত্রগী ব্রাহ্মণ শাগৈদা হুগলী জেলাগী কেওটা খুন্দা মহাক মামগী ময়ুমদা পোকই। মহাক্কী মমাংঙৈগী মমিংদি শ্রীপ্রবোধচন্দ্র চট্টোপাধ্যায় কৌই। মহাকপু পোকপা প্রাণহরি চট্টোপাধ্যায় ডাক্তরগী থবক তৌরমই।

মহাক অরাংবা থাকী ভক্ত, সাধক, কবি অমসুং লীলালেংবা মীশক অমা ওইরমই। পুণ্য চেল্লবী ভাগীরথীগী তোর্ব্বান্দা ডুমুরদহ কোবা খুন্দা মখোয়গী ময়ুমদা মমাংঙৈদগী হৌনা ৺ব্রজনাথজীউ, শিবনচিংবা লাই লিংখৎলমই অমসুং নিতিগী পূজা কৎলমই। ঠাকুরগী মমা মালাবতী মহাক্না চহি মরি শুবা মতমদা থুপখ্রবদা মহাকপু পোকপা মপা অমুক লুহোংই। মমা পোক্তবী গিরিবালা দেবীনা মহাকপু মচাদগী হেন্না লুনা য়েংল্লমই। ঠাকুরবু পোকপা মপা সন ১৩১৮ দা থুপখি। অসিগী তুংদা ময়াম্বা অহল অমসুং মতৈমা মতম চাদনা সংসার থাদোক্তুনা চৎখরে। চহি কুন্মরি শুবা মতমদা মহাক্না কমলা দেবীবু লুহোংতুনা লৌই। মহাক সতী ওইবী অমসুং ভাগ্য য়াম্না লৈবী নুপী অমা ওইরমই। চহি কুন্থরুক হেক শুবদা সাল ১৩৩৭ তা মচা নিপা অমগা মচা নুপী অমগা ছুঞ্জেকলম্লগা মহাকসু সতীধামদা খোংদাখরে।

লাইরিক তম্বা অমসুং নৈনবা ঃ

অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ঠাকুর চুমচৎ চৎপা, অচুম্বা থিবা অমসুং ভক্তি লৈবা মীশক ওইরকই। চহি মঙা পাঠশালা অমসুং ইংরেজী স্কুলদা লাইরিক তম্লবা মতুংদা চহি তরানিথোই শুবদা মহাক সংস্কৃত তম্বা হৌই। মহাক চহি কুন্মরিরোম ব্যাকরণ, পুরাণ, সাংখ্য অমসুং বেদান্তনচিংবা অয়াম্বা শাস্ত্র তম্লমই অমসুং পুরাণতীর্থ অমসুং পুরাণরত্ন মিংথোল ফংখি। মহাক শাস্ত্রদা য়াম্না পণ্ডিত ওইরমই, মশামক্না যজ্ঞ তৌরমই অমসুং সংস্কৃতসু তম্বিরমই।

চহি নৌরিডৈদগী হৌনা মহাক ধর্ম্মগী মরীদা রচনা ইবা হৌখি। মহাত্মা রামদয়াল মজুমদারনা হৌদোক্লমবা "উৎসব" পত্রিকাদা ফোঙখিবা মহাক্কী 'ক্ষেপার ঝুলি' নচিংবা প্রবন্ধনা যোগিরাজ ভার্গব শিবরামকিঙ্কর যোগত্রয়ানন্দ অমস্থং অতৈ অতৈ পুকচেল চাওবা মীশিংগী মিৎয়েং চিংশিল্লমই। মহাক পণ্ডিত অমস্থং দার্শনিকনি; ভক্ত কবি অমস্থং লীলা লেংবনি। শিব বিবাহ, দাস্য মধুর নচিংবা নাটক ১২ রোমগী পাত্র পাত্রীগী মচিন্দা মহাক্না মহাক্কী ভক্তি অমস্থং সাধনাগী লূরনা তত্ত্ব িংথিনা অমস্থং মপুং ফানা শন্দোকই। মহাক্কী ভক্ত অমস্থং শিষ্যশিংনা হায়রিবা নাটকশিং অসি লীলা শান্নে। জ্ঞানদগী ফংবা 'কথা রামায়ণ, সীতারামগী মপা লৈত্রবা অমস্থং মরাল পুথোকফম লৈত্রবা অহুগুম্বা খুৎশেম অমনি। মহাক্কী অইবগী থোইদোক হেন্দোকপা হায়ববু সাধনগী লম্বী য়াম্না লুরবা হিরমস্থু মহাক্না মীপুম খুদিংমক্কী খংনবা অরায়বা, ফজবা অমস্থং নিংথিবা লোন্দা ফোংদোকই। ঙসি ফাওবদা ঠাকুরনা লেংবা লাইরিক হুম্ফুতরাদগী হেন্না ফোঙলে। অয়াম্বা লাইরিক সংস্কৃত, হিন্দি, মরাঠি, উড়িয়া, গুজরাটি, তেলেগু অমস্থং ইংরাজি লোন্দা হন্দোকলে। মহাক্কী সাধনাদগী ফংলবা লৌশিং য়াওরবা গীতা, চণ্ডী অমস্থং ব্রহ্মসূত্রগী মরু ওইবা ভাষ্য, ব্রহ্মানুসন্ধান-নচিংবা লাইরিক কয়া অমা ফোঙগদবা লৈরি।

সাধক্কী পুন্সি ঃ

মহাক অঙাং ওইরিঙৈ চহি তরুক্তা ভাইরিঙৈদা মম্লবা অহিংদা

তুম্নরিবা কাদা ভগবান শিবগী দর্শন ফংখি। মতুংদা অমুকস্তু মমংদা অশোক বন্দা হিংচাবীশিংনা কোয়শিন্দুনা শংবা সীতাদেবীগী দর্শন ফংখি। অম্নাবগী দৃশ্য অসি মহাক্কী মপুক্সিংদা মতম কুইনা য়েক্কুনা লৈখি।

চহি কুম্মাথোইগুবদা মহাক্কী গুরু দাশরথি স্মৃতিভূষণ যোগেশ্বরনা মহাকপু ত্রিবেনিদা মন্ত্র দীক্ষা পিখি। মতম অতুদগী হৌনা মহাক অনা-অয়েক, অন্না-অনা, লাইরবা অমসুং য়ুম্বানবগী খুদোংথিবা থেংন-থেংননা সাধনগী লম্বীদা থুনা চংশিল্লমই।

চহি কুন্তরুক গুবদা মহাক চুঁচুড়াদা বেদান্ত তম্লমই। ১৩২৪ গী পোইন্নুগী তারিখ ২৩ (৭। ১। ১৮ইং) গী অহিংদা জপ তৌরিঙৈদা মাই মঙা পানবা শ্রীমহাদেবনা মহাক্কী মমংমক্কদা আবির্ভাব তৌখি। মহাক্না হায়বিখি 'ঐ নংগী গুরুনি।' শ্রীভগবানগী লেংবান্দগী দেবী ভগবতীগী আবির্ভাব ওইখি। মহাক্না ঠাকুরদা হায়বিখি 'ঐ নংগী নমানি।' মহাক্না ঠাকুরগী পিক্লবা হকচাং অদু মতম্বাক্তা কোনশিনবিরমই। মমানা মনা-কোংদা অমসুং শিবনা ডমরুগী নিন-খোংবগা লোয়ননা মঙোন্দা ইষ্টমন্ত্র তাহল্লমই। মীনা দর্শন ফংদ্রবা কয়া দর্শন ফংখি অমসুং মীনা তাবা ফংদ্রবা কয়া তাবা ফংখি। মসিগী তুংদা শ্রীপঞ্চমী তিথিদা ঠাকুরনা নহাল অমুক্কী মপোক্তা ওইখিবা মূর্ত্তি (য়াম্না ফাওখ্রবা লাই ওইখিবা মহাপুরুষ) দর্শন তৌখি।

অসিগী তুংদা ঠাকুরনা সাধনাগী লম্বীদা হেন্না তেন্না চংশিল্লমই অমসুং মহাক্কী চাওখৎপগী পন্থে য়োরমই। গুরুগী য়াথং মতুং

ইন্না যোগিরাজ ব্রহ্মর্ষি শ্রীগৌড়েন্দ্রজীগী মফমদগী পাওতাক ফংলবা মতুংদা মহাক্কী থমোইদা নাদগী ইন্থল ফাওখি। ভাগবত পাবা, সংকীর্ত্তন-নচিংবদা মুংঙাইনা মতম লেল্লমই। মহাক্না মহাক্কী মথুল ডুমুরদহদা শ্রীরামাশ্রম লিংখৎলি। য়াম্না তমথিরবা সাইনোভাইটিস কৌবা লায়নানা নাক্রুবদগী মহাক্কী য়েৎথংবা খোং অতু চিংশিনখি। মহাক্কী সাধ্বী ওইবী পুন্সিগী লোইনবীস্থু অসিগী মমাংদনা মহাকপু থাদোক্লুনা চৎখ্রবনি। তৌইগুম্বস্থং অনা-অয়েক্লা মহাকপু শোকপা ঙমখিদে।

চহি নিফু শুবদা (১৩৩৮) মমংদা ব্রাহ্মীদীক্ষা ফংখি। মসিগী তুংদা মহাক ভাবতা লুপখিতুনা সমাধি ওইতুনা লৈখি। ১৩৪০দগী ঠাকুরনা চহি খুদিংগী থা খরদি মৌনব্রত তৌতুনা লৈ। শ্রীরামাশ্রমদা অচিকপা মফমদা অভ্যাস তৌরিঙৈদা মহাক্কী মপুক্লিংদা ওইথোক্কবা ইন্থল অমা ফাওখি। মুমিং তরামঙানিরোম চুপ্না মহাক্না খোঞ্জেন পুন্না অমস্থং পুংখোনগা লোয়ননা

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥

মহামন্ত্র মপুং ফানা তাখি। চহি নিফুমঙা (১৩৪৭) শুবদা ধ্যানদা সাক্ষাৎ ওঙ্কারনাথ হায়বা মিং অসি ফংখি। অতুগী তুংদা মহাক চিংনবা পুম্বা থাদোক্লুনা কৌপিন অমস্থং বহির্বাস শেংখি অমস্থং শ্রীসীতারামদাস (মহাক্কী গুরুনা পিবা মিং) ওঙ্কারনাথ হায়না খংনখি। মতম অসিদা মহাক্না 'জয়গুরু সম্প্রদায়' লিংখৎখি। ১৩৪৪ সালগী শজিবুগী তারিখ ১০ দা

৬ পুরীধামদা মৌনব্রত কৎলিঔেদা মঙাল মরক্তা শ্রীশ্রীজগন্নাথদেবনা মঙোন্দা দর্শন পিবিখি অমসুং য়াথং পিবিখি "চৎলো, চৎলো, নাম পিরু"।

মতম অতুদগী হৌরদুনা শ্রীসীতারামনা মনিং তৌনা অমসুং রাখল তৌদনা অচৌ-মচা নাইদনা সিদ্ধমন্ত্র য়েনবিরি।

নাম শন্দোকপা ঃ

জীবগী মঙ্গলগী দমক্তা নাম শন্দোকপনা মহাক্কী অমতা ঙাইবা ব্রতনি। মরম অসিগী দমক্তা মহাক ভারতকী ঙমখৈ অমদগী অতোপ্পা ঙমখৈ অমা ফাওবা, খুল অমদগী খুল অমা ফাওবা, করি করিগুম্বা মতমদা খোংনা, করি করিগুম্বা মতমদা ষণগাড়ীদা, করিগুম্বা মতমদা মাল পুবা হরাগাড়ীদা, করিগুম্বদসু রেলগী থার্ড ক্লাসতা পোৎথাবা লৈতনা কোয়রি। হৌজিক মহাক্কী শিষ্যশিংগী মশিং লিশিং তরাতরেৎকী মথক্তি। নিংথৌদগীনা লম্বীগী চাক্লিবা মীফাওবা মহাক্কী কৃপা ফংলে। হিন্দু নত্তবশিংসু মঙোন্দগী নাম লৌরে। পুরী, বৃন্দাবন, ওঙ্কারেশ্বর, ব্রহ্মাবর্ত্ত (বিঠুর), কাশী অমসুং বঙ্গদেশগী অয়াম্বা খুন্দা মহাক্কা লিংখৎপা আশ্রম লৈরে।

শ্রীসীতারাম তাইবংপানবগী মঙ্গল ওইনবগী দমক্তা হরিনাম মহামন্ত্র অখাকপা লৈতনা য়েনবিরি। মহাক অসি নাম শন্দোক্লবগী দমক্তা পোক্লিবনি হায়না নিংই। নাম নত্তনা মহাক্কী মপুন্সি অসিদা মহাক্কীনি হায়বা করিগুম্বা অমা লৈত্রে। মহাক নাম শন্দোকপদনা মমিং চৎলবনি, নামগী প্রেমিকনি, নামগী দমক্তা পুমথা থাদোক্লবনি। নাম তাবদা মহাক্কী সমাধি ওই। মতু

অঙকপা দৃশ্য অমনি। মহাক্না পোৎথাবা লৈতনা নাম শন্দোক্লবগী দমক্তা পাওতাক পিবিরি, মশামকস্থু মতম পুন্নমক্তা নামদা চংজরি। নামগী মহিমাগী মরমদা মহাক্না শাস্ত্রগী বানী লৌথোক্লুনা পন্দুপ ৩৭৫ রোম অতোপ অতোপ্পা লাইরিক্তা হাপচিনখিরে। ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা মফম অমদা নামগী সেবা অসিদগী হেন্না তৌবা ঙমদ্রি। ভারতস্থু করিগুম্বা মতমদা ওইখিদ্রি। মহাক নামগী মগুণদা লেংদনা থাজখ্রবা মীশক অমনি। শাস্ত্রনা হায়রিবা ব্রা অতুদনা নত্তে, মশাগী শাজৎনা অমস্থুং শিষ্য-শিংনা হোৎনজবা মহে য়াঙ্গবা অসিনা নামগী মগুণ জগৎকী জীবশিংদা মিৎনা উবা প্রমাণ ওইনা উৎপিরি।

লোইবা নাইদ্রবা নাম কীর্ত্তন ঃ

মহাক্না হোৎনবদগী মফম অহুমদা নবগ্রাম (বর্দ্ধমান) দা, ৺পুরীধামদা শ্রীশ্রীজগন্নাথগী মন্দির মনাক্তা অমস্থুং গোঁসাই-মুরাগাঁও (গঞ্জাম) দা সংকল্প তৌদুনা লোইবা নাইদ্রবা মপুং ফারবা মহামন্ত্র কীর্ত্তন হৌগৎলে। মমাংঙৈদা করিগুম্বা মতমদস্থু করিগুম্বা মফম অমদা অস্থুক চাওবা অমস্থুং ওইথোকপদা ব্রানা থোক্লবা অসিগুম্বা থৌরাং অসি তৌখি হায়বা খংদে।

রাম নামগী মন্দির লিংখৎপা ঃ

ঠাকুরনা মহাক্কী গুরুদেবগী লৈফম দিগস্থুই খুন্দা (হুগলী) রাম নামগী মন্দির অমা লিংখৎলে। মফম অদুদা রাম নাম কোটি ১২৫ ইনবা খাতা থমগনি, নিতিগী পূজা তৌগনি। হৌজিক রাম নাম কোটি ৬০ শুরে। মন্দির অসিগী লাইরিক-শংদা রাম

অমস্থুং রামায়ণগী মরমদা পৃথিবীগী অয়াম্বা লোন্দা ঙসি ফাওবদা ফোঙ্‌বা লাইরিক পুন্নমক থমগনি। রামনাম ইবগী অঙকপা মগুণগী মরমদা ঠাকুরনা লাইরিক লেংলে। রামগী নাম নিতিগী ইরবদি ইহলোক অমস্থুং পরলোক অনিমক্তা চাওখৎপা ওই। রামগী নাম ইবগী মইদি অরোয়বা লামায়দা য়েংবিয়ু। বঙ্গদেশদা মসিগী মমাংদা করিগুম্বা মতমদস্থ রাম নাম মন্দির লিংখৎখিত্রি।

গুরু ভক্তি ঃ

শ্রীসীতারামগী গুরু ভক্তি ইচম চম্বা নত্তে। মহাক শাগৈগী চৎনবী মপুং ফানা য়ানা চৎলি। মহাক্কী মথবাক্তা গুরুগী খুৰুম য়ানশিল্লি। খুরুম অসিদনি মহাক্কী লৈজবা মরল হায়ববু, মসিনা মহাক্কী অমতা ঙাইজরবা মমল য়াম্লবা লন্নি। মসিনা মহাক্কী বিজ্ঞাপন্নি; প্রোপাগাণ্ডা, মপাঙ্গল, ধর্ম্ম, কর্ম্ম অমস্থুং মহাক্কীনি হায়না লৈজবা খরা অদুনি। শ্রীশ্রীগুরুমহিমামৃত, শ্রীশ্রীগুরু গীতা, ছুটি কথা অমস্থুং অতৈ অতৈ লাইরিক্তা মহাক্না শাস্ত্রগী মতেং লৌদুনা গুরুগী মাহাত্ম্য প্রচার তৌবিরি। মহাক ত্রিসন্ধ্যা-দা গুরু পূজা তৌই, প্রসাদ ফংই। মহাক মশামক্না চৎকদবা শাজৎ অদু চৎতুনা শ্রীভগবানমক্না গুরুগী শক্তম লৌদুনা অবতার তৌবিরিবনি হায়বা শিক্ষা অসি মী পুন্নমক্তা পিবিরি। মহাক নত্তুনা অতৈ কনা অমা জগৎ অসিদা লৈত্তে। মহাক্কী কৃপাদনা থবক পুন্নমক ওইবা য়াই। মহাক্না চিঠিদস্থ মহাক্কী ঠাকুরগী

আশীর্ব্বাদ অতুদমক পি, মশাগী আশীর্ব্বাদ পিদে। ঠাকুরগী গুরুভক্তি তমজনিংঙাইনি।

মমাগী মফমদা ভক্তি ঃ

শ্রীসীতারামগী মমাগী মফমদা লৈবা ভক্তি ইচম চম্বা নত্তে। ত্রিসন্ধ্যাদা মমাবু খুরমই। মখুৎ লোন্নতুনা কোয়রগা অমস্তুং সাষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌরগা মমাগী চরণদা পুষ্পাঞ্জলি কৎলি অতুগা মমাগী চরণামৃত থকই। থবক অমা হৌরমদাই মমাংদা নল্লগা করিগুম্বা মফম অমদা যাত্রা তৌরমদাই মমাংদা মমাগী য়াথং লৌরমই। সমাধিদগী হৌগৎলকলগা ইহাল হান্না মমাবু খুরমই। মৌনব্রত লোইবা হেক মতুংদস্তু ইহাল হান্না মমাগা ৱা ঙাংনৈ।

যোগ-বিভুতি ঃ

শ্রীসীতারামগী যোগ-বিভুতিস্তু ইচম চম্বা নত্তে। থুপ্তুনা লৈদি হায়ববু অয়াম্বা মতমদা মতু থমোইদা ফাওই। মীনা মহাকপু ময়াং ইকং কংনা অয়াম্বা মফমদা ইউ-উনখরে, পৃথিবী অসিদা ফংদ্রবা অতুগুম্বা নুংশিবা মনম অতু মহাক্কী মশাদা ফংখরে। 'দিব্য জীবন' হায়বা লাইরিক অতুদা হিরম অসিগী মরমদা খরদং ফোঙলে। ঠাকুরনা অঙক অঙকপা থৌদোকশিং অসি ইয়া

*থোইদোক্না নুংশিহৈরবী, মতম পুন্নমক্তা হল্লাওতুনতা লৈবী ময়ামগা মান্নদবী কর্ম্মী পূজা তৌবদা মতিক চাৱবী ঠাকুরগী মমা ৺গিরিবালা দেবী হৌখিবা ২৮।১।৬৪ দা ডুমুরদহদা জ্ঞান ইমাং মাংদনা পরলোক ল্লৌখরে। শ্রীসীতারামগী মাতৃপূজাগী অঙকপা দৃশ্য অতু অমুক হন্না উররোই।

য়াবিদবা তৌদে। মহাক্না হায়বামক্তবু পুন্নমক অসি গুরুগী খুরুমগী কৃপা অমসুং লীলানি মহাক মশামক্তি অশুক অশুকপা থৌদোকশিং অসি করি অমতা থংদে। মহাক মশামক্তি ইচম চমজবনি।

তপস্যা ঃ

শ্রীসীতারাম অশেংবা তপস্বীনি, লাইনিং চেৎলি। আচার, নিয়ম অমসুং ব্রতদা থব্রাই য়াম্না য়াওই ইন্দ্রি খুতুম চল্লি। ফী অঙোবা মচেৎ অমা শেৎলি, কোকথক্তা জটা পুই, লাইবক্তা শ্রীসম্প্রদায়গী চন্দন থিল্লি, ওকশমদা অমসুং খুৎতা তুলসী অমসুং শুগ্রীক পরেংনা লৈতেংই, হকচাংদা বিভূতি তৈশিল্লি। মহাক্না করিগুম্বা মতমদা খুকম, ছাতিন, মোন, কাংখল শিজিন্নদে। মহাক সাত্বিক্কী চিঞাক চাই, মতুম্ মমিংদা ওইনা চাবনি। য়ুবী খুজাইনা মহাক্কী খুৎকী পাত্রনি। লৈবাক মথক্তা কম্বল থারগা য়াম্না মুংঙাইনা তুমই। য়ুম্বানবগী ইমুংদা চংদুনা লৈতে। মন্দির, ধর্ম্মশালা নত্রগা অনৌবা থাংপোকশংদা লৈ। মহাক পুমথা থাদেক্লবা যোগীনি, মহাক্কী মরল লৈতে, জগৎকী চাওখৎপসু চংদে, অকে-অমৌসু মশাদা লৈতে।

মৌনব্রত ঃ

চহি খুদিংগী পোইন্নুগী সংক্রান্তিদগী হৌদুনা মহাক মতম কক্তনা মপুং ফানা মৌনব্রত তৌই। মৌনব্রত তৌরিঙৈ মতম অসিদা দর্শন পিনবিদে, চিঠি ইদে। মতম পুন্নমক্তা পূজা, গুরুসেবা, সমাধি, ব্রহ্মগী ৱাখল তৌদুনা, শাস্ত্র পাদুনা অমসুং লাইরিক

লেংতুনা মতম লেল্লি। হৌজিক মধ্যপ্রদেশগী ওঙ্কারেশ্বর তীর্থদা নর্ম্মদা তুরেল মপান্দা চীংথোংদা ওঙ্কারমঠদা য়াম্না ইংলবা মতম অসিদস্মু মহাক বহির্বাস ফাওবা থাদোক্তুনা কৌপীনদমক শেংতুনা থা ২২ রোম মৌনব্রত তৌই।

শাস্ত্রদা থাজবা অমসুং শ্রদ্ধা লৈবা ঃ

মহাক্না শাস্ত্রদা থাজবা অমসুং শ্রদ্ধা লৈবা অসি চাংদম্নিংঙাই লৈতে। লাইগী মূর্ত্তি নত্রগা সাধু হেক উবদা সাষ্টাঙ্গ প্রণাম তৌই। তুলসী অমসুং হৈখাগোক পরিক্রমা তৌবা, খুরুম্বা অমসুং ঈশিং হৈবা অসিনা মহাক্কী ত্রিসন্ধ্যাদা নিতিগী তৌবা থবক্নি। মহাক বর্ণাশ্রমবু পুমথা থাজে। মহাক্কী রাঙাং খুদিংমক শাস্ত্রনা য়াবামক্তনি। মহাক্না শাস্ত্রবু প্রমাণনি হায়না লৌই অমসুং শাস্ত্রবু পুমথা থাজে। মরমদি মহাক্কী পুন্সিচুপ্পা তপস্যাগী মপান্না চিংনবা লৈতনা থাজহল্লে মতুদি শাস্ত্র হায়বসি মতম পুন্নমক্তা চুমতুনদা লৈরবনি।

থবক্তা হৈশিংবা ঃ

মহাক সংসারদা পুক্লিং চংদ্রে অমসুং সংসার থাদোক্লে হায়ববু প্রেমগী মশক ওইরি। মহাক্কী থবক খুদিংমক অঙকপা ফংনা চাংনাইনা অমসুং নিয়ম কায়দনা চৎথরি। মহাক্কী থবক্তা হৈশিংবা অসি থাইগা ইমান মান্নদে। 'যোগ কর্ম্মসু কৌশলম্।' করিগুম্বা থবক অমগী কাচিন কোয়া ফাওবা ইউ-উশিল্লি। মহাক লৌশিং য়াম্না শিংই, থবক য়েংশিনবা য়াম্না হৈ, থবক তৌবগী অঙকপা মথৌনা লৈ।

ব্রত অমসুং তপনা চোকথরবা অমসুং কোক্তা জটা পুরবা

ময়াং কংলবা নিপা অসিনা তাইবংগী মঙ্গলগী দমক্তা অহিং মুংথিল খায়দনা অক্লবা অমম্মুং মীনা ঙমত্রবা থবক পাংথোক্লিবা অসি উবিত্রবদি খংবিরোই। মহাক্তি মফৈ চিংনা চিংনা, মখোং ইহাং হাংনা তিংখং মরক্তা, মুংলক্তা, লৈকুৎ-লৈরাই মরক্তা, করিগুম্বদম্মু মুমিৎ চপ্ যুংবদা চাক্লবা লৈঙোই মরক্তস্মু য়াম্না শাংনা থুনা চৎকল্লি। মহাক পুং কুম্মরিগী মম্মুংদা পুং ৩।৪ ফাওবা পোৎথারম্লোই। অহিং নোংয়াই মতুং পুং অমা মখায়দা হঞ্জিল্লগা লাইরিক কন্না পাহুনা লৈ। অদুগী তুংদা চিঠিগী পাওথুম — মহাক্কী মমিংদা নোংমদা চিঠি চামা চামা লাকই - মথুংমক্লা ই। নাম শন্দোকপনা মহাক্কী মপুন্সিগী লাইনিংনি। মরম অসিনা নোংম-নোংমগী, চয়োন চয়োনগী, থা থাগী চহি চহিগী ইকাই কাইদনা, ইপোৎ-পোৎথাদনা কন্না নাম শন্দোকপা হোৎনরি। চাতুর্মাস্য ব্রত মম্মুং নত্তনা মফম অমতদা অহিং অমদগী হেন্না পন্দে। অদু মক্তদম্মু মহাক্কী মশা অদু চোকথবা লৈতে, অন্নাবা লৈতে, থকৎপা লৈতে, অশাওবা লৈতে।

চাতুর্মাস্য :

মৌনব্রতগী মতম নত্রবদি শ্রীসীতারাম ইঙাগী সংক্রান্তিদগী চাতুর্মাস্য ব্রত তৌনবা করিগুম্বা থুল অমদা লৈ। মফম অদুদা মুংঙাইবগী ঈথক হৌই, মহাক্কী খাংপোকশং অদুনা মদুগী কেন্দ্রনি। মপুং ফাবা 'হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥'
মহামন্ত্র অসি পুং-কোরতাল শুনা, রাগ রাগিনী শুনা কীর্ত্তন তৌই

অমস্তুং অপুনবা খোঞ্জেন অসিনা মায়কৈ মরিমক শেংদোকপি। ভক্তি অমস্তুং প্রেমরসগী অমৃতগী ঈচেল হৌই। মী চামণ্ডাদগী মী লিশিং অনিফাওবা মফম অতুদা নিত্তিগী প্রসাদ ফংই। শ্রীসীতারাম মশামক কাল অহুমমক্তা স্তব তৌই। অহিং খুদিংদা শাস্ত্র অমস্তুং মহাক্না ইবা ধর্ম্মগী লাইরিক পাঠ তৌই অমস্তুং ময়ামদা শন্দোকপা অর্থ তাহল্লি। অরোইবদদি সমাধিদা লৈ।

সাল ১৩৬১ দা গোপালপুর (হুগলী) দা চাতুর্মাস্য ব্রতগী মতমদা নোংমদা মী ১০০দগী ২০০ ফাওবা লাক্নুনা ওন্নমক্না মুপা মুপী লিশিং মণ্ডারোম শ্রীসীতারামদা সিদ্ধযোগতা লাইমিং লৌখি। লাইমিং লৌবগী গুরু দক্ষিণাদি হরিতকী মরু অমদগী হেন্না লৌদে। মশাগী শিজিন্নবগীদি ফি কম্পোর অমা থাই।

শ্রীসীতারাম শেলস্থ লৈতে শেলস্থ পামদে। হরিনাম কৃষ্ণ প্রেম লৌবিয়ু হায়বা অসিদনি মহাক্কী ভিক্ষা হায়ববু। রাম নাম মন্দিরগীদমক্তা চহি অমদা য়ামদ্রবদা রাম নাম লক্ষ ৪ শিষ্য-শিংদগী নিরি।

ইচম-চম্বা ঃ

শ্রীসীতারাম অণ্ডাংমুক চমই। মহাক্না মশাগী মপুক্সিগী ব্রা অমতা কনাদস্থ থুপ্তে, মহাক্না ইন্দ্রিদা ফাওজবা অতুগুম্বা অথুপ্পা ব্রারোল ফাওবা কনাদস্থ থুপ্পুনা থমদে। মহাক্কী ইচম চম্বা অমস্তুং নোল্লুকপা অসি উরগা ওক্তনিঙাই লৈতে। মশাবু মীনা ইকাই খুম্নবা পামজদে, মী পুম্নমকপুদি মহাক্না ইকাই খুম্নবা উৎলি।

অতিথি সেবা ঃ

মহাক নোল্লুক্পা অতিথিশিংবু সেবা তৌই, পিজ-পিথকপদা পামুবা লৈতে। কনাগুম্বনা মহাক্কী আশ্রমদা অতিথি ওইররবদি মথোং হাম্বগী থৌরাং অদু মহাক মশামক্পা শিল্লি। করিস্ু নত্তবা মীচম অমা ফাওবা প্রসাদ ফংদনা হলহনখিবা য়াওদে। অতিথি-শিংনা চারি-থক্লিবৈদা মহাক মশামক মখুৎ লোম্নদুনা লেপ্তুনা লৈ, অরাৎ-অপা হংই। মী খুদিংমক্কী মশাগী ক্লুংঙাইনবা অমস্ুং মথোয়গী আত্মা পেন্নবগী দমক্তা চপ মান্ননা অমস্ুং তপ্পা য়েংশিল্লি। হুই হৌদোং ফাওবা পিজ-পিথক্লব্রা হায়বা অদুস্ু য়েংশিল্লি।

অশেংবা থোজাল অমস্ুং প্রেম ঃ

মহাক্কী থৌজালগী ৱা অসি হায়দুনা লোইবা নাইদে। মহাক মাধুর্যগী ঈফুৎনি, প্রেমগী সমুদ্রনি। মহাক্কী থমোই অসি থৌজান্না থল্লি। জীবগী অৱা-অনা উরগা মহাক্কী থমোই পুবা ঙমদে। মীগী কান্নবা তৌবদনা মহাক্কী অমতা ঙাইঙরবা ধ্যান্নি। থংনবা থংনদবা কনাগুম্বা অমনা হায়জররবদি মহাক্পা মতম পুম্নমক্তা মতেং পাংনবা হোৎনৈ। অঙাং ওইরিবৈদগী হৌনা মহাক য়াম্না থৌজাল হৈ—শেৎনরিবা ফী কনাগুম্বা অমদা দান তৌথোক্লগা গামছা অমা শেৎচিল্লগা মমাগী মনাক্তা চংশিল্লক্লুনা মরাল লৈবা মী অমগুম্না লেপ্তুনা লৈথোক্লমই। মহাক মতম লৈবা খিবিক্তা মীগী তৌবিমল থংই। কনাগুম্বা অমনা সেবা খজিক্তুং তৌবা ফাওবা কাওদে। মহাক মিৎয়ুং অমতা য়েংই, ইনাক খুনবা, লাইরবা,

পাপ চেল্লবা, পুণ্য লৈরবা, ভক্ত, য়েক্লবা শাজং চৎপা, শ্রদ্ধালৈবা, শ্রদ্ধালৈতবা, আস্তিক, নাস্তিক, মথল্লাই পান্দবা অমস্তুং মথল্লাই পানবা ফাওবা পুম্নমক অসিগী মফমদা শাজং মাম্লনা চৎলি, পুম্নমক অসিবু চপ্ মাম্লনা মুংশি। করি করিগুম্বা মতমদা অতোনবা কাংলুপনি হায়নরিবশিং অসিগী মী অমদি লৈত-লাইরা অন্না-অনাশিংনা খরতুম হেন্দোক্লা মহাক্কী থৌজাল অমস্তুং প্রেমগী অধিকার ফংই হায়বমক য়াই। পাপ য়াম্না চেল্লবা অমস্তং তোল্লবশিং অসিবু মহাক্লা মথল্লাই য়াওনা মশামক্কী ওইনিংই, মরমদি মখোয়গী কাল্লবনা হেল্লি। কনাগুম্বা অমনা মঙোন্দা খুংল্লবদি চেৎনা কোনশিনবি।

শ্রীসীতারাম মতম পুম্নমক্তা হরাওত্নুনতা লৈ। মহাক্কী মাইথোং ব্রহ্মগী মুংঙাইবা অত্নুনা মকা ইরাম লামত্নুনা লৈ। মহাক অসি নিংথনা শাৎকাইরবা লৈকা লিশিং পানবা থম্বালনি, নামগী অমৃতগী রসদা লুফেৎ লুফেং তৌজরিবনি। মহাক মশামক্লা অমৃত অত থক্লগা অমৃতগী ভাণ্ডারী অত্নুদা ওইজরগা পেনজবা নত্তে। মহাক্লা মী পুম্নমক্তা অমৃত অতগী শরুক থুংবিবস্তু পামই। মুংশিবা হায়বত্নু মহাক্কা মমিংতগী চেস্থরকই। মমানা ফাওবা অসি য়ৌনা মুংশিরম্মোই হায়না নিংই। মহাক মহাকপু মহাক্লা খল্লা হেন্না মুংশিবি হায়না মী খুদিংমক্লা নিংনৈ, মরম অসিনা মী পুম্নমক ইপেন্দা মপেল্লি। মসিননি মহাক্কী চিংশিল্লবগী পাঙ্গল থিংবা ঙমদ্রিবা, মহাক্লা ইরাই লাইনা মশাগী ওইশিল্লিবা। দর্শন তৌবদা মহাক অসি মতম কুইনা খংনরক্লবনি হায়না নিংই। মরম অসিনা

মহাকপু উরগা থমোই অসি ইপেন পেল্লি, মী অয়াম্বা মপি তাই। মহাক মী পুন্নমক্কী সান্ত্বনা ফংফম্নি।

ধর্ম্ম দর্শন ঃ

শ্রীসীতারাম লৌশিং শিংবশিংগী মন্নুংদা অথোইবনি, সিদ্ধ ফংলবা যোগী অথোইবনি, ভক্তিগী অহিংবা শক্তমনি। মহাক্কী মশাদা কর্ম্ম, জ্ঞান অমসুং ভক্তি অঙকপা ফংনা তিল্লি। মহাক্কী ধর্ম্ম দর্শন, সাধনাগী লম্বী অমসুং পাওতাক খোংথাং খুদিংদা শাস্ত্রগী মতুং ইল্লি। কদায়দসু কম্বিগুম্বা মতমদা শাস্ত্রবু থওইদবা তৌদে। অওইবমকপু মতুনা শাস্ত্রগী মচংনি অতুগা মতু ইনৌদা নৌতুনা লৈ, মপুং ফাতুনদা মরৈ। মতু খাইদগী হেন্না অথুপ্পা নক্ত্রগা মঁতম কুইনা চৎনরক্লবা অচুম্বা হায়বা অতুগী মথক্তা লৈবনি। মরম অতুনা মত মখল পুন্নমক, ব্রাখল অমগা অমগা খেনবা, মাগী মাগী সম্প্রদায়গী দমক্তা ময়েংবা পুন্নমক অসি চপ্ মান্না লৌবদা মহাক্কী থোইনা খুদোং চাদবা তৌদে। মহাক অধিকারবাদনা য়ুম্ফম ওইরগা দ্বৈত, অদ্বৈত, দ্বৈতাদ্বৈত্য; ব্রাখলনা লাম্বা ফংদ্রবা অমগা অমগা খেনবনচিংবা মত পুন্নমক অচুম্বমক্তনি হায়না লৌবা ওয়ে। শাক্ত, বৈষ্ণব, শৈব, সৌর, গনেশ-নিংবা ভক্ত অতুদা মা মানা নিংজরিবা লাই অতুগী তত্ত্ব অমসুং মন্ত্র পিবি। মরমদি নিংগদবা মরু ওইবা লাই অমতনা অতৈ অতৈ লাইগী শক্তম লৌতুনা লীলা শান্নরিবনি হায়বা অসিনা মহাক্কী মতনি। মানা মানা পাম্বা শক্তম অতুদা অতুক্কী মতিক চংশিল্লিব-মখৈ মাগী ভাব অতু অতুম মফরে, মসিনি মহাক্কী ব্রা হায়ববু।

মহাক পুন্নমকপু ইমান মান্নবা উবদা নত্তে, মহাক ধর্ম্মগী মত খুদিংমক অমসুং ধর্ম্ম দর্শন খুদিংমকপু লাল্লি চুমই হায়বগী টুকা থিবগী মহুংতা মখোয় খুদিংমক্তা তোপ্পা তোপ্পা মতিক চাবা ইকাই খুন্নবা উৎপি।

শ্রীসীতারাম ওঙ্কার অমসুং নাদদা সিদ্ধ ফংলবনি। মহাক্কী মততা ওঙ্কার নত্রগা প্রণবতনা খ্বাইদগী অথোইবা তত্ত্বনি—নির্গুণ ব্রহ্ম অমসুং সগুণ ব্রহ্ম, পর ব্রহ্ম অমসুং অপর ব্রহ্ম, অবতার অমসুং জীব মায়কৈ অমতদা লৈবনি। মহাকপু ফংননবা পান্থেদি সাধনাগী লম্বীনি—ইরায় লায়বনি। অহিং মুংথিল নাইদনা মাগী মাগী গুরুনা পিবা ইষ্টমন্ত্র অড় জপ তৌরগা অমসুং নাম কীর্ত্তন তৌরগা মানা মানা নিংঙ্গরিবা লাই অতুনা দর্শন পিদনা লৈথোকপা ঙমদে। মসিমসু শোইদ্রবনি হায়না লেপ্লে মতুংদি মহাক অসিবু কলিগী ইবাং মরক অসিদসু ঐথোয়গী ইচম চদ্বা মিৎ অসিনা খ্বাই পুন্নমক্তা উই। মফম চানা থেদৌ অতুনা চোংথোক্তবা য়াদবা মতাং থোক্লবদি মূর্ত্তিমক ওইনা চোংথোকপিদুনা নিংথিনা দর্শন পিবি, তাকপি-তিকপি, বর পিবি।

কুনশুবা শতাব্দীগী হৌজিক্কী ভারত অসিদা বামন ফাওবা গুণগী মযুমদা লৈবা, ব্রহ্মচর্য্য চৎপা, বেদ পাবা, যোগ তৌনবগী মতিক চাবা হকচাং লৈবা, অশেংবা চিঙ্গাক চাবা পুন্নমক অসি থাদোক্লরে। মরম অতুনা হৌখিবা যুগকী যাগ, যজ্ঞ, যোগ মখল মখলগী সাধন মতৌ মসি ঙম্নবগী পান্থে কদায়দা লৈ? ভগবানবু ফংবনা মসিগী উদ্দেশ্যনি। শ্রীসীতারামনা তাকপি,

মতুদি য়াম্না লাইবা পোংনি। করি অমতা তৌরুগনু। ইন্না য়াদনা অমৃত শোইদনা ফংগনি। অহিং মুংথিল অনিমক্তা নাম-দমক শোল্লু। পুক্লিং চংত্রবস্থ য়াই, থাজত্রবস্থ য়াই। শ্রদ্ধা লৈতরবস্থ, থাজত্রবস্থ, পুক্লিং চংত্রবস্থ নাম শোল্লু, নাম শোনবতনা পাপ, নহাল অমুক্তী মপোক্তা পকখ্রবা দোষ পুম্নমক কোক্কনি। ফজুবা থবক ময়েং তানা তৌগনি—অপাম্বা অহুদা মফংগনি। হৌগৎলবস্থ, ফম্নবস্থ, চৎলবস্থ, তুম্নবস্থ, হেন্না থাংলবস্থ, শ্রদ্ধা লৈরবস্থ মতম লৈবা খিবিক্তা

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥

হায়বা তারক মহামন্ত্র অসি জপ তৌবনা, খোঞ্জেল য়াংনা কীর্ত্তন তৌবনা অমম্মুং শ্রীভগবানগী লীলা পুক্লিংদা নিংশিং জবতনা কলিগী ঈপাক্তা ঈরোইবগী খ্বাইদগী হেন্না অরায়বা পান্থেনি। মসিগী মরমদি য়াম্না লাই—মৈদা নত্রগা নাইটি্ক এসিডতা থৌশাদতুনা নত্রগা পুক্লিং চংহৌদতুনা খুৎ খিংডিল্লবদি খুৎ পোকই, অদু নত্রগা খংহৌদতুনা হিদাক চাশিল্লুবা থোক্লগা কান্নজে, হু চাশিল্লবা থোক্লগনা মাংজে, মপাল নাইত্রবা ব্রহ্মাণ্ডগী নায়ক শ্রীভগবানগী নামগী মগুণদি অচম্বা মথক্লাই পান্দবা পোৎকী মগুণদগী মশীং লাকপা ভমদনা হেল্লি, হিরম অসিদা থেইনা চিংনিঙাই লৈতে।

নাদ সাধনাগী প্রনবকী অ, উ, ম গী 'ম' কার অসিনা খ্বাই-দগী য়াংবা যোগনি। শ্রীসীতারামগী :তি নাম কীর্ত্তন তৌবদনা মঙাল উবদা নত্তনা নাদ ফাঙবা মথক্তা তাজৈ হায়বা অসিনি।

নামগী মশুগগী য়া অসিদি শিরবা য়ানি, তৌইগুম্বসুং শ্রীসীতা-রামগী পাওতাক অমসুং সাধনগী লম্বীদি পুন্নৌ নৌবনি। মতুদি অধ্যাত্ম-জগৎকী থনোই শোকপা থোক্কনি। ধর্ম্ম সাধনগী মরু ওইবা তত্ত্বনি। কলিনা চাহৎশিংগী জীবন অথুক য়ান্না আশা পিবিবা অসি কনা অমত্তনা করিগুম্বা মতমদা পিবিখিদ্রে হায়না নিংই।

থাঙ্গেশেংনা থোক্লিবসু মতুনি। মহৈদি হৌজিকমক শোই-দ্রবনি। শ্রীসীতারামনা মগাক্কী সিদ্ধযোগ অতু অয়াবা থংদনা দান তৌবিরি। মিৎয়েংনা, শোকপিবদনা মথৌনা হাপ্লিরি। মন্ত্রনা চেতনা অমসুং কুণ্ডলিনীবু য়াকায়হল্লে। মহাক্কী রাগ লৈত্রবা শিল্প ময়াম, করি অমুক হায়গনি য়ুন পাল্লিবা শিষ্য নিপা অমসুং মুপীশিং মতম থরদগী মনুংদা (থা তরুক নত্রগা চহি অমগী মনুংদা) থোইদোক হেন্দোক্না চাওখৎলি, ইরায় লায়না মপুং ফারবা নাদ অমসুং মঙালগী ঈরেন্মুংদা লুপ্লি, করি অমুক হায়গনি অয়াম্বা মীনা ভাবকী সমাধি ফাওবা যংই। মসি মপুং ফারবা গুরু কৃপাগী মহেনি, হন্দক্কী মপোক্কী সাধনগী লন ফংবা অসি মী পুম্নমক্কা থোক্কে।

পরশ মুনা য়েংথপু সনা ওলহল্লি হায়নৈ, কনা অমত্তনা উক্নবা লৈতে। ঐখোয়না উনরিবদি পরশ মণিনা য়োৎতা শোক্লগা য়োৎ অতো পরশ মুং ওলহল্লি হায়বা অসিনি।

অচ্যুতানন্দনা তুংদা থোরক্কদব উৎখিবা ঃ

চহি চামরিয়োমগী মনাংগী য়ান্না উক্নবা পাও অমা ফংলে। সাল ১৩৫১ (১৯৪৪ খৃঃ) দা শ্রীসীতারামনা উরিষ্যাদা কোয়নকপা

মতমদা মহু থংখি। অচ্যুতানন্দ মহাপ্রভু শ্রীচৈতন্যদেবগী মতমগী মীনি। মহাক্কী ভক্তনি। উরিষ্যাগী মপিং চংলবা মরূপ মচাগী মহুংদা অমনি। মহাক্না লাইরিক খরদা তুংদা থোরক্কদবা থৌদোক ইবিরমই। লাইরিকশিং অদুগী মহুংদা অপোইবা রাজসংহিতাদা কোনা মনাগী লাইরিকা। ঠাকুরগী আবিভাবকী মরমদা মফম অনিদা পনবিরম্বা থেংনরে।

'অরাং বঙ্গদা হুগলী লৈবাক্তা শ্রীপ্রবোধচন্দ্র মুখোপাধ্যায়* পোক্লগনি। মহাক শ্রীসম্প্রদায়গী রামানুজগী মত লৌরগনি। পোৎথাবা লৈতনা কোয়রগনি অমসুং মহামন্ত্র শন্দোক্লগনি। মহাক মহাভক্ত অমসুং ব্রহ্ম খংবা মীশক অমা ওইরগনি। মহাক শ্রীশ্রীজগন্নাথ দেবগী অচানবা অমা ওইরগনি অমসুং পুরীধামদা আশ্রম লিংখৎলগনি। মপোক অমগী করিগুম্বা মরম অমদগী মীয়াই চম্লকপা নতমদা মহাক্কী মখোং অমা শেক্কনি। লাইরববু পিজ-পিথকপনা মহাক্কী পান্নজবা থবক ওইগনি। শ্রীভগবাননা মহুদা মী ওইনা পোক্লগনি।

'প্রভুক উবেক্নু খিবু মন চাহি।
প্রভু জনমিলে নরতনু বাঁহি॥

শ্রীসীতারামগী মপুন্নদা থোক্লবা থৌদোকশিং অসিগা তুংদা থোরক্কদবশিং অসিগা চাররে।

---

*মুখোপাধ্যায় ঠাকুরগী গুরুদেবগী গোত্রনি। উরিয়াদদি গুরুগী গোত্র মতুং ইন্না শিষ্য। গোত্র লৌই। হিরম অসিগী শন্দোকপা ঘারোলদি বাংলা, উড়িয়া অমসুং ইংরেজী লোন্দা ইবা অচ্যুতানন্দগী তুংদা থোরক্কদবা থৌদোক য়াওবা লাইরিক্তা য়েংবিয়ু।

ঙসিদি কনাগী থাজবা, কনাগী থাজদবা, মী পুম্নমক্কা অফবা মাহেন্দ্রগী পুংকম লাক্লে। শ্রীসীতারামগী আবির্ভাব অসিনা ভারত অসিদা অফবা মঙ্গল পিবা হৌরে। হৌজিক্কী যুগ অসিদা মথরাই পান্দবা বিজ্ঞাননা চাওখৎলকপা অমসুং নোংচুপগী লাইরিক তম্বা হেঙ্গৎলকপা অসিনা পুক্নিং অসি নোংম-নোংমগী মপাললোমদা লৈথোরক্লে। তৌইগুম্বসুং ভারতকী লাইরিক মতম অমসুং লৈবাক মচা তাবগী মওংদি ইতোপ হোক্লি। বেদগী ধর্ম্ম অমসুং লৈবাক মচা তাবগী মরু ওইবা উদ্দেশ্যদি অনানবা খুবম অমসুং ঈশ্বরবু ফংবনি। মরম অসিনা জাতীগী সনাতন শিক্ষাগী অমতা ঙাইবা পম্বুংফমদি পুক্নিং অসিবু মন্থংলোমদা লৈশিনহন্নবা হোৎনবনা ওইরমই। মপানগী মীরৈবাক্কী লাইরিক তম্বা অত্থক্কী মতিক চাওখৎলিবমখৈ অসিগুম্বা অচৌবা তমজনফম ওইরবা অসিদগী ভারতকী জাতি অসি মাংবা হেঙ্গৎলি। নাম শোনবতনা পুক্নিংবু মন্থুং হুম্বিনহন্ননবগী থাইদগী অথোইবা অমসুং খাইদগী লাংবা পাম্বৈনি। শ্রীসীতারামনা ভরত অসিদা মরু হুল্লবা অসি তারক ব্রহ্মনামনি। নামগী কল্পবৃক্ষ মপাল শারে অমসুং মহৈ য়াল্লে। নামগী ঈশিং ঈচাওদা লৈবাক পুম্নমক অসি হরাওনরে অমসুং ইশেং শেংলে। মহাক্না মী লিশিং লিশিংগী মপুক্নিংবু ঈশ্বরগী মায়কৈদা চিংশিনবিরক্লে, পাপীশিংদা মতম কুইনা শান্তি ফংননবগী লম্বী উৎপিরে।

শ্রীসীতারাম তমজনিংঙাই ওইবা অথোইবা বৈষ্ণবনি ঃ

শ্রীসীতারাম মহাপ্রভু শ্রীশ্রীচৈতন্যদেবগী অতোপ্পা মূর্ত্তি অমনি।

চুম্নদা মত্থ ওইবা নত্তে, মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা মওঙ্না ঙানজরিবনি। মহাক অথোইবা বৈষ্ণবনি, অদুগা মহাক অসে ভাবতা লুপ্লুনা লৈ। মহাক "মশামক্না ধর্ম্ম অদু চৎতুনা অতোপ্পা মীদা ধর্ম্ম অদু চৎনবা তম্বি।"

"মহাক্কী মচিন্দা কৃষ্ণগী নাম তত্তনা শোল্লিবা।
নিত্তো মহাক্কী চরণবু, মহাক্কি বৈষ্ণব অথোইবা॥
মহাকপু দর্শন ফংজবদা চিন্দা কৃষ্ণগী নাম শোম্লিংবা।
মহাক অদুনি থউ নহাক্না বৈষ্ণব অথোইবা।"

—চৈতন্য চরিতামৃত, মধ্যলীলা

'তৃনাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুনা।
অমানিনা মানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদা হরিঃ॥'

নাপিদগী তোঙ্না মতম পুম্বদা নাম শোনগনি।
নাপাল কাদনা অতোপ্পবু ইকাই খুম্নবা উৎকনি॥
পামেল্ল উগুম্না বৈষ্ণবনা থাংবা কনগনি।
ওৎ-নৈরবা মীদসু করিসু হায়রোইদবনি॥
কল্লবা ফাওবা পামেল উনা করিসু হায়জদে।
কাংদুনা শিদোবা ফাওনা কনাদসু ঈশিং নিজদে॥
মত অসি লৌদুনা বৈষ্ণবনা নিজরোই করিগুম্বা।
চাজগে মনা-মশী, হে রা নত্রগা নিরুদনা ফংজবা॥
মতম পুম্বদা নাম শোওংগে, অফ বা থরদা পেঞ্জগে।
শাজং অসি চংতুনা ভক্তি ধর্ম্ম ঙাকচগে॥'

—চৈতন্য চরিতামৃত, আদিলীলা

শ্রীসীতারাম মধ্য প্রদেশতা নর্ম্মদা তুরেল মপান্দা পূণ্যতীর্থ ওঙ্কারেশ্বরদা মহাক্কী 'ওঙ্কারনঠ' আশ্রমদা চহি অমগা থা মরি মৌনব্রত তৌরবা মতুংদা ভারতকী অতোপ অতোপ্পা মফমদা

৺ভগবানগী নাম শন্দোকলি। ইঙা থাগী সংক্রান্তিদগী ত্রিবেণীগী মনাক্তা লৈবা গোপালপুর (হুগলী) থুন্দা চাতুর্ম্মাস্য ব্রত তৌরমই। অদুগী তুংদা ওঙ্কারেশ্বরদা থা ২২ রোম মৌনব্রত তৌরবা মতুংদা জগৎকী মঙ্গলগী দমক্তা ঠাকুর তপস্যা তৌরি।

বেদ, আগম-নিগমনা মরু ওইবা বেদগী শাস্ত্র অমস্তুং মহুগী মতুংইন্না আচার, নিয়ম, বর্ণাশ্রমগী হৌনবী অসি অরানবা অমতা নত্তে, মহুবু পুক্নিংনা নিংলবদি, মহুবু ঙাক্লা চৎলবদি নত্রগা মহুগী মতুং ইন্না চৎলবদি অমস্তুং লম্বী চুন্না সাধন তৌরবদি হৌজিকস্থু লাই দর্শন ফংই অমস্তুং সিদ্ধি ফংই। বেদ হায়বসি অচুম্বনি, মূর্ত্তি পূজা তৌবা হায়বসি লাইফদিবী লাৎপা নত্তে। লাই লৈ। লাইশিং অসি ৱা ঙাংই, বর পিবি। শ্রীসীতারাম বেদগী সনাতন ধর্ম্ম অমস্তুং লৈবাক মচা তাবগী অচুম্বা হায়বা অদুগী লংলবা অমস্তুং হৌজিক হৌজিক উরিবা প্রমাণনি।

শ্রীসীতারামগী মরমদা করিবু থংজগদগে। অপিকপা বর্ত্তিগী থাওমৈনা মুমিৎয়ুংবা মতমগী মুমিৎ ওইনা উহন্নবা হোৎনজ-বগুম্বনি। অদুম ওইনমক মহাক্কী শ্রীমুখদগী তাজবা থরা অদু মহাক্কী ভক্তশিংগী মতুং ইনজহুনা অমস্তুং নিংশিংজহুনা শ্রীসীতারামগী চরণদা কচ্ছরি।

শ্রীশ্রীঠাকুরের সেবা লাইব্রেরী

১। শ্রীশ্রীগুরুবিষয়ামৃত—১॥০ ; ২। শ্রীশ্রীনামামৃত লহরী—১৷০ ; ৩। শ্রীশ্রী নামবিষয়ামৃত—১॥০ ; ৪। সোনার খুনি (১ম খণ্ড)—১॥০ ; ৫। ঐ (২য় খণ্ড)—১॥০ ; ৬। শ্রীশ্রীতুলসীবিষয়ামৃত—১॥০ ; ৭। গাঁয়ের গোপাল (৪র্থ সং)—১॥০ ; ৮। মহারসায়ন (৩য় সং)—১৲ ; ৯। শ্রীশ্রীভক্তগীতা (৩য় সং)—২৲ ; ১০। শ্রীশ্রীনারায়ণবন্দন (২য় সং)—২৲ ; ১১। তোমার বলে বাবের পূজা—২৲ ; ১২। শ্রীশ্রীমহাবার সংকীর্ত্তন (ভক্তি-বই পত্র)—।৵০ ; ১৩। পুষ্প চন্দন—।০ ; ১৪। বর্ণাশ্রম বিষয়—॥০ ; ১৫। [illegible] বাবা (২য় সং)—॥০ ; ১৬। কথা রামায়ণ (১ম খণ্ড) ৩৲, ৩॥০ ; ঐ (২য় খণ্ড)—৩৲, ৪॥০ ১৭। অভয়বাণী (পুস্তক)—।৵০ ; ১৮। শ্রীশ্রীরামনাম বিনদ মহিমা—।০ ; ১৯। ত্রৈকালিক স্তবমালা (৪র্থ সং) ।০ ; ২০। শ্রেষ্ঠ ধর্ম—।০ ; ২১। ভক্তি দর্শন (শাণ্ডিল্য সূত্র)—৷।০ ; ২২। শ্রীশ্রীমহাবার কল্পতরু—৸০ ; ২৩। শত শত চৌপাই ; ২৪। গণেশের দফা ; ২৫। শ্রীশ্রীগোপীগীতা ; ২৬। আঁধারে আলো —৶১০ ; ২৭। শ্রীশ্রীবিষ্ণু সহস্রনাম ; ২৮। মহাব্রত ; ২৯। বাড় সমূহ—১৲ ; ৩০। পত্রাবলী (১ম খণ্ড)—৸০ ; ৩১। বাণীমালা (১ম খণ্ড, ২য় সং)—।৵০ ; ৩২। সুরবাণী—৵০ ; ৩৩। পূজার ফুল ; ৩৪। স্তবমালা ; ৩৫। [illegible] পথ—।০ ; ৩৬। শ্রীশ্রীগুরুসহস্রগীতি—১৲ ; ৩৭। শিব-বিবাহ—৷।০ ; ৩৮। [illegible]—৵০ ; ৩৯। শ্রীশ্রীগীতামাহাত্ম্য—৸০ ; ৪০। শ্রীশ্রীনামলীলা-মৃত ৩৲, ৩॥০ ; ৪১। মুমুক্ষুর প্রাতঃকৃত্য—৵০ ; ৪২। শ্রীবৈষ্ণব ধর্মার্থ ভাষ্য ১।০, ২॥০ ; ৪৩। কল্পতরু—৵০ ; ৪৪। হরিবিবরণ—৵০ ; ৪৫। রাম-সহস্রনাম—৵০ ; ৪৬। মুমুক্ষু শ্রীরামানন্দীয় শ্রীবৈষ্ণবদের প্রাতঃকৃত্য—৵০ ; ৪৭। শাক্ত ও শৈব মুমুক্ষুর প্রাতঃকৃত্য প্রকরণ ; ৪৮। হাতগুলো—১৷০ ; ৪৯। প্রণয় পথিক ১ম খণ্ড—২৲, ২য় খণ্ড—৷।০ ; ৫০। শ্রীশ্রীশিবনামামৃত লহরী—২॥০, ৩৲ ; ৫১। শ্রীগীতা ১৲, ২।০ ; ৫২। শিব সহস্রনাম—।৵০ ; ৫৩। বিবাহ পূজা—২।০ ; ৫৪। বড় আঁধি—।০ ; ৫৫। সই—৵০ ; ৫৬। শ্রীভক্ত গীতা—২॥০ ; ৫৭। [illegible]—।৵০ ; ৫৮। শ্রীশ্রীনামের মহিমা—।৵০ ; ৫৯। গীতা-সার সহস্রনাম—।৵০ ; ৬০। মুক্তি-শান্তি ; ৬১। শ্রীশ্রীনামামৃত—।৵০ ।

সম্প্রদায়ের অন্তে অন্তে প্রকাশিত ঃ ১। সুধা-সঙ্গীত—শ্রীমদ্ দাশরথি দেব যোগেশ্বর—।৹ ; ২। ছয় রাগ ছত্রিশ রাগিণী (স্বরলিপি)—কিঙ্কর শ্রীপ্রণবানন্দ—১।৹ ; ৩। শ্রীশ্রীনাম মাহাত্ম্য (৩য় খণ্ড) —কিঙ্কর শ্রীশান্তিনাথ ; ৪। নামের জয়—স্বর্গীয় বঙ্কিমচন্দ্র বিদ্যারত্ন—৶৹। ৫। দাক্ষিণাত্যে শ্রীশ্রীঠাকুরের নাম প্রচারলীলা—কিঙ্কর শ্রীগোবিন্দদাস—৸৹ ; ৬। স্তবকুসুমাঞ্জলি—শ্রীসদানন্দ চক্রবর্ত্তী সম্পাদিত (২য় প্রবাহ)—৪৲ ; ৭। নামপ্রেমী ঠাকুর শ্রীশ্রীসীতারামদাস ওঙ্কারনাথ—শ্রীপুরঞ্জয় রায় বন্দ্যোপাধ্যায়—৩৲ ; ৮। পরিচিতি—শ্রীনীরজাকান্ত চৌধুরী, এম্ এ, এল্-এল্-বি, (আই-পি)—৶৹ ; ৯। ঐ হিন্দী (পরিচয়)—৶৹ ; ১০। ঐ (উর্দ্দু)—৶৹ ; ১১। ঐ (গুজরাটী)—।৶৹ ; ১২। ঐ (মারাঠি) ; ১৩। অচ্যুতানন্দের ভবিষ্যদ্বাণী (উড়িয়া)—।৶৹ ; ১৪। A Short Biography of Sri Sitaramdas—S. Sil (অনূদিত) ; ১৫। ঠাকুর শ্রীশ্রীসীতারাম—কিঙ্কর [illegible] ১৬। Our Master—Prof Sadananda Chakrabarty —৪৲ ; ১৭। দিব্যজীবন শ্রীশশাঙ্কশেখর বাগচী—১৲ ; ১৮। দয়াল-গাথা [illegible] ১৯। পরিচয় (উড়িয়া) শ্রীসরলা দেবী—।৹ ; ২০। দয়াল গাথা [illegible] ২১। Glimpses of my master.—N. Chaudhuri [illegible]

অনুবাদ ঃ

১। [illegible] Life Divine (মহারসায়ন)—S. Sil ১৲ ; ২। Pages from [illegible] man's Life (ক্ষেপার ঝুলি)—S. Sil—।।৹ ; ৩। মহা-[illegible] নূতন ২য় সংস্করণ—অধ্যাপক শ্রীসুশীলকুমার বাজপেয়ী এম্-এ [illegible] (তেলেগু)—শ্রীমৎ দাসসেবকজী মহারাজ—২৲ ; ৫। ঐ (উড়িয়া) [illegible] ঐ (মারাঠী)—৸৹ ; ৭। অভয় বাণী (হিন্দী)—।৹ ; ৮। ঐ [illegible]—৶৹ ; ৯। Upset in our Social Order (বর্ণাশ্রম বিপ্লব)—।৶৹ ; ১০। বর্ণাশ্রম বিপ্লব (তেলেগু)—শ্রীমৎ দাসসেবকজী মহারাজ ; ১১। শ্রীশ্রীমহা-[illegible] (হিন্দী)—শ্রীহরি প্রসাদ তেয়ারী ; ১২। ঐ (তেলেগু)—শ্রীমৎ [illegible]জী মহারাজ ; ১৩। বাণীমালা (হিন্দী)—।।৹ ; ১৪। ঐ (উড়িয়া)—।।৹ ; ১৫। শ্রীশ্রীমহামন্ত্র কল্পতরু (তেলেগু)—শ্রীমৎ দাসসেবকজী মহারাজ ; ১৬। ঐ [illegible]—৸৹ ; ১৭। আঁধারে আলো (হিন্দী)—অধ্যাপক শ্রীসুশীলকুমার [illegible]—৶১৹ ; ১৮। ঐ (মারাঠী)—৶৹ ; ১৯। তুমি ও আমি (হিন্দী)—/৹ ।